**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 04-04-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৪-০৪-২০২৪, শগোলশেন)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ম চিত্রাভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - রাজ্য অসি মচেৎ মচেৎ তানা কায়খিবা হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তগী অপাম্বা নত্তে মরম অদুনা সরকার অসিনা লমগী মতাংদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা শংতাইনবা তৌরোই।

২) অনিশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদগদবা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ান তেরিতোরিশিংগী লোক সভা সিট ৮৮ গী মীরেপচে পীশিনবা ঙসিনা লোইরে।

**অমসুং**

৩) হিট ৰেবনা থোকহনবা য়াবা লায়নশিংদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি ডা: মন্সুখ মন্দাবিয়ানা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**বিরেন(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - রাজ্য অসি মচেৎ মচেৎ তানা কায়খিবা হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তগী অপাম্বা নত্তে মরম অদুনা সরকার অসিনা লমগী মতাংদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা শংতাইনবা তৌরোই।

ইম্ফালদা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা ঙরাং পাঙথোকপা মহিলা সমেলনদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মনিপুরদা নেসনেল রেজিস্তর ওফ সিটিজেন (এন.আর.সি)চৎনরকপা মতমদা রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়েলহৌ মীশিংদা শোকিংঙাই লৈতে। ইং ১৯৬১ না বেচ্ট ইয়র ওইরগা এন.আর.সি চৎনরকপা মতমদা লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংদা চৎনরোই। আইন কায়না চংলকপা মীওইশিংদদা এন.আর.সি চৎনগনি।

শ্রী বিরেননা হায়- মনিপুর বিধান সভাদা এন.আর.সি চৎননবা লৌখিবা ৱারেপ অদু ঐতিহাসিক ওইবা ৱারেপনি। মহাকা হায়- লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসি মীতোপশিং চংশিল্লকপদগী থোরকপনি। রাজ্য অসিগা য়ুমথংনরিবা নাগালেন্দ অমসুং মীজোরামগী মীয়ামা ঙমখৈ পারিং শম্বল খাবা পামদ্রবসু লমদম অসিগী মীয়াম মরুওইনা য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক ঙমখৈ পারিং শম্বল খাবা হায়বসি য়ামমক তঙাই ফদে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মনিপুরনা মৈ চাক্লিবা অসি মতম অমদা য়ানা য়ানবা চৎলম্বা, হিরম খুদিংমক্কী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনরমদবদগীনি। সরকার অসিনা দ্রগকী মায়োক্তা লেপ্লমদ্রবদি তুংগী মীরোল করি ওইহৌগনি হায়বদু খঙবা ঙম্লোই। মতম অমদা ম্যান্মারগা তাইনবা ঙমখৈ পারিং শম্বল খারমদবা অমদি অথিংবা লৈতনা মীতোপশিং চংশিল্লকপনা মফম কয়াদা খুল মশিং হেনগৎলকপগী মরম ওইরি।

মহাকা হায়- ভারত সরকারনা অচৌবা দাইত্ব লৌদুনা চীংনবা মফমশিং য়াওনা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্স থম্লে। মসিনা মরম ওইদুনা হেজিক রাজ্য অসিদা শান্তি তপা তপা হঞ্জিল্লক্লি।

**ইলেক্সন(এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা সিনিয়র সিতিজেন্স নত্রগা মীগা মীমান্নদ্রবশিংদা পোস্তেল বেলোটকী খুথাংদা ভোট থাদবগী খুদোংচাবা পীরি। অসিগুম্বা ভোতরশিং অসিনা ভোট থাদনবগীদমক বি.এল.ওশিংগী খুথাংদা ফোর্ম ত্বেলফ-দি পীবা হৌরে। হায়রিবা ফোর্মশিং অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি।

দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর ইম্ফাল ইষ্টনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা অসিগুম্বা ভোতর পুন্না লিশিং ১,৬৭৯ লৈ। চেরোল অদুনা হায়- এবসেন্তি ভোটরশিংগী ওইনা তোঙানবা পোল্লিং টিম ৩০ শেল্লে মসিদা ওফিসিয়েল অনি, বিদিওগ্রাফর অমা, মাইক্রো ওবজার্বর অমা অমসুং আর্ম সেক্যুরিতি পরসনেলশিংনা এবসেন্তি ভোটরশিংগী যুম যুম চৎতুনা পোস্তেল বেলোটশিং অদু লৌখৎকনি। অহানবা রাউন্দা থা অসিগী ৭ তগী তাং ১২ ফাওবগী অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চৎকনি। মসিদা তাং ৯ অমসুং ১১ ছুতি লৈবনা মরম ওইদুনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংলোই। লেমহৌবা ভোটরশিংগী ওইনা অনিশুবা রাউন্দ তাং ১৫ দা পাঙথোক্কনি।

মরক অসিদা এবসেন্তি ভোটরশিংগী পোস্তেল বেলোটশিং খোমগৎপদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পরসনেলশিংগী ত্রেনিং লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সকা এস.আই.আর.দি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

**কাংপোকপী(এল)ঃ** আউতর মনিপুর বিধান সভা কেন্দ্রগী জেনরেল ওবজার্ভর উজ্বাল কুমার অমসুং পুলিস ওবজার্ভর বাইবাব কৃষ্ণনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাদা চৎতুনা জিলা অদুদা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা শেমশারিবশিং অদু য়েংশিনখ্রে। ওবজার্ভর অনিনা সাইটু বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসন অমা ওইরিবা হায়পিদা লৈবা য়ু.জে.বি স্কুলদা চৎতুনা য়েংশিনখি অমসুং স্কুল অদুগী ষ্টাফশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখি । মখোয়না কৈথেলমানবিদা লৈবা রিলিফ কেম্পদসু চৎতুনা মফমদুদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগসু উন্নখি। তুংদা সদর হিলস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ওফিসতা চৎতুনা

পোল্লিং ওফিসারশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখি। ওবজার্ভর অনি অসিনা দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা চৎতুনা ষ্ট্রোং রুমশিংসু য়েংশিনখি।

**স্বিপ(এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিস্ত্রেসন কামজোংনা শিন্দুনা সিষ্টেমেতিক ভোটরস ইদুকেসন এন্দ ইলেক্তোরেল পার্টিসিপেসন (স্বিপ)কী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী কেম্পই অমা ঙরাং ফুংয়ার খুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা স্বিপ কেম্পেইনগী নোদেল ওফিসর য়ু. নাখেদৈনা হায়- মীয়ামা মশা মশাগী ভোট থাদবগী অধিকার অসি নিয়ম চুম্না শিজিন্নগদবনি অমসুং শেল খরগীদমক য়োন্থোক্লোইদবনি। সমাজ অসিদা চাউখৎপা অমদি অহোংবা নিংথিনা পুরকপা ঙমগদবা অচুম্বা মীরেপ অদুদা ভোট পীশি। কেম্পেইন অদুগা মরী লৈননা কুইজ কম্পীতিসন অমসু পাঙথোকখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** পব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং থৌবাল দিভিজন মখাদা লৈবা থৌবাল তোমজিং ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা ঈশিং পীবা লেপখিবদগী মীয়ামদা অৱাবা মায়োকরে। অথুবা মতমদা মীয়ামদা ঈ-শিং ফংহনবিয়ু হায়না থৌবাল অপুনবা লুপ (তাল ) থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**ইলেক্সনঃ** অনিশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদগদবা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ান তেরিতোরিশিংগী লোক সভা সিট ৮৮ গী মীরেপচে পীশিনবা ঙসিনা লোইরে। কেরলাগী লোক সভা কেন্দ্র ২০, করনাতক্কী ১৪ ,রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারস্ত্রাগী সিট ৮-৮,মধ্য প্রদেশকী সিট ৭, অসাম অমসুং বিহারগী সিট ৫-৫, ৱেষ্ট বেঙ্গোল অমসুং ছাতিগরগী সিট ৩-৩, মনিপুর,ত্রিপুরা অমসুং জম্মু কস্মীরগী সিট অমমমগী ভোট অনিশুবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ২৬ তা ভোট থাদনগনি।

**হিটৱেবঃ** কালেন থা মতম চংলকপগা লোয়ননা নুংশাগী মৈশাগা মরী লৈননা থোরকপা অনাবশিং লাকশিন্নবা শেম শারিবশিংগী মতাংদা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি ডা: মন্সুখ মন্দাবিয়ানা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

শ্রী মন্দাবিয়ানা হায়- তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা হিট-ৱেবকা মরী নৈনা মীশি মীনা য়াওনা অতৈ থৌদোক কয়াগী দাতাশিং থমনবা সেস্ত্রেল দাতা বেজ অমা শেম্বগী তাঙাই ফদবা লৈ। মহাকা হায়- হিট ৱেবনা পিবা চৈথেংশিং মীয়ামদা খঙহনবনা মসিদগী ওইরক্কদবা খুদোংথিনিংঙাইশিং ঙাকথোকপা ঙমগনি।

**কংগ্রেসঃ** কংগ্রেস প্রসিদেন্ত মালিক অরজ্ন খরগেনা ঙরাং অৱাং নোংপোক দিল্লি লোক সভা কেন্দ্রদা ঘর ঘর গেরেন্তি অভিয়ান হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী খরগেনা হায়- লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা কংগ্রেসনা করিগুম্বা সরকার পায়রবদি লৈবাক শিনবা থুংবদা কাস্ত সেনসস পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক কংগ্রেসনা গেরেন্তি ২৫ অমসুং ন্যা ৫ পুখৎলে।

অমরোমদা, কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি কেরলাগী ৱাইয়ানাদ লোক সভা কেন্দ্রদা ঙরাং মীরেপচে পীশিনখ্রে। মহাকা মীরেপচে পীশিনবদা দলগী জেনরেল সেক্রেটরি পিয়াঙ্কা গান্ধি, কে.সি.ভুনুগোপালনচিংবা শরুক য়াখি। কেরলা য়াওনা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমা অনিশুবা তাঙ্কক্তা থা অসি ২৬ দা ভোট থাদনগনি । মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ ঙসিনি। হয়েং স্ক্রুতিনি তৌরবা মতুং মথংগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি।

**রাজ্য সভা ঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি ডা: এল. মুরগন য়াওনা নৌনা খল্লবা সদস্যা ১১ বু ঙরাং রাজ্য সভাগী সদস্যা ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। সংসদতা লৈবা রাজ্য সভাগী চিয়রমেন জগদিপ ধনকরগী চেম্বরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চিয়রমেননা মখোয়বু ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌখিবশিং অদুগী মনুংদা বিহার অমসুং মহারাস্ত্রাদগী সদস্যা ২-২, হিমাচল, হারিয়ানা, করনাতক , উত্তর প্রদেশ অমসুং মধ্য প্রদেশকী সদস্যা অমমমনি। হন্দক্কী চয়োল অসিদা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি ডা:মনমাহোন সিংহ্ য়াওনা সদস্যা ৫৬ সভাদগী পোত্থাখি।

**বেঙ্কঃ** ৱাল্ড বেঙ্কনা হায়রি- ইং ২০২৪ দা ভারতকী ইকোনোমি অসি চাদা ৭.৫ হেনগৎলবা য়াই । বেঙ্ক অসিগী খ্বাইদগী নৌবা সাউথ এসিয়া দিভলপমেন্ত অপদেতকী মতুং ইন্না খা- এসিয়া লমদমদা চহি অসিদা ইকোনোমি চাদা ৬ হেনগৎলবা য়াই । মসি ভারত্তা চাউখৎলকপা অমদি পাকিস্তান অমসুং শ্রীলঙ্কাদা শেল থুমগী ফীভম ফগৎলকপদগীনি। রিপোর্ট অদুনা হায়- লাক্লিবা চহি ২ অসিদা খা-এসিয়াগী লমদম অসি মালেমগী ওইনা খুমাং য়াংনা শেল থুমগী লমদা চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিং ওইগনি। ইং ২০২৫ দা লমদম অসিগী ইকোনোমি অসি চাদা ৬.১ ৱাংখৎলবা য়াই হায়রি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক ঙাংবম অমুখোন্বা লৈরে--**

**--অমুখোন্বা--**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি - রাজ্য অসি মচেৎ মচেৎ তানা কায়খিবা হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তগী অপাম্বা নত্তে মরম অদুনা সরকার অসিনা লমগী মতাংদা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা শংতাইনবা তৌরোই।

২) অনিশুবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদগদবা রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ান তেরিতোরিশিংগী লোক সভা সিট ৮৮ গী মীরেপচে পীশিনবা ঙসিনা লোইরে।

**অমসুং**

৩) হিট ৱেবনা থোকহনবা য়াবা লায়নশিংদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি ডা: মন্সুখ মন্দাবিয়ানা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-চিত্রাভানু**

মনিপুর নিউজতা - মচেৎ মচেৎ পীথোক্লগা শাশন তৌগদবা বি.জে.পি নত্তে, ঙসিগী অমসুং তুংগী মীরোল কনদবা য়ারোই,মীখল অসি এন.আর.সি চৎনহনবা পামব্রা পামদব্রা হায়বদুগী অচৌবা টেস্ত ওইগদৌরিবা হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসন, পোকফম, পিপসল ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

পোকফমদা- মীখলদা কংগ্রেসকী মীরেপ মায়থীরবদি মীয়াম মায়থিবা ওইগনি হায়না মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কন্মীতিগী প্রসিদেন্ত কে.মেঘচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- হিদাক কান্নবা পাম্বীশিং থাদুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা - তোতোমসনাগী মথক্তা এক্সন লৌনবা ই.সি.ও , আরওদা মখা তানা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা দেলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর মেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা - মপানদগী অহোঙবা মমলদা পুশিল্লকপদগী ইরমদমগী এঙ্গাং য়োনবা শিৎত্রে, লৌমীশিংনা ৱানা থাজবা কোবি চেকখায়দুনা মাংলে, ওককী মচিঙ্গাক ওইনরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসনদা - মনিপুরদা এন.আর.সি চৎনহনবা হৌরে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লমায়দা হেদলইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। কুকিশিং করম্বা মীরেপতা ভোট থাদগদগে হায়বদু লৈবাকপোকপদা ৱারেপ লৌগদৌরি হায়বা পাউ অমা বোক্স আইতেম ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - ইলেক্সন কম্মীসননা মনিপুর য়াওনা লোক সভা মীখল পাঙথোক্কদবা রাজ্যশিংগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফীভম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি মোর্নিংবেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- কুকি নেসন অমগী মঙলানদা মনিপুরগী পুৱারি শেমদোক্তুনা লাননা উহনবগী মায়োক্তা খন্নবা হৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ইম্ফাল -জিরিবাম লম্বী ফৎতবদগী মাল পুবা গাড়ি কয়া পন্দুনা লৈরে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।
তমেংলোং টাইমসতা- দিল্লি মীতৈ কোওর্দিনেতিং কম্মীতিনা ই.সি.আই অমসুং চিফ জস্তিস ওফ ইন্দিয়াদা মনিপুরদা লোক সভা মীখল য়ৈথোকপিনবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেলাইন তৌরি। পাউ অসি হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমায়দা ফোংলি

**--চিত্রাভানু--**